# বিদ্যাসাগরগী হেটট্রিকনা ট্রাওবু মায়পাকহনদুনা অহুমশুবদা লৈহনখ্রে



কোলকাটা, মার্চ ০৬(এজেন্সী):
টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ট্রাও)গী শান্নরোয় বিদ্যাসাগরগী হেটট্রিক্না মোহমদ্দন স্পোর্টিং ক্লবপু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা আইলীগকী অনীশুবা ফেজগী পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা থাক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

ঙরাং কোলকটাগী কলয়ানি ম্যুনিসিপাল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা ট্রাওগী মায়কৈদগী মেটচ হৌরকপদগী য়াম্না ফজবা ঙমখি। ট্রাওগী শান্নরোয় ফালগুনিনা মেটচকী ২৯শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা কোলকটাগী টিম অদুবু ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং মেটচ অদুদা হেটট্রিক চনবা ঙমখিবা বিদ্যাসাগরনা মহাক্কী অহানবা পাঞ্জল অদু ৩৯শুবা মিনটতা চনদুনা মেটচ অদু ২-০দা হেল্লগা অহানবা হাফ অদু লৈখি। অদুবু হাফ অদু লোইগদবা মিনট ৩দা ঙাইরবা মতমদা বিদ্যাসাগরনা মহাক্কী অনীশুবা অদুগা ট্রাওগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা মণিপুরগী ট্রাওনা কোলকটাগী মোহমদ্দন স্পোর্টিং ক্লবপু ৩-০দা হেন্দুন লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নরকপা অদুদা কোলকটাগী ক্লব অদুগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জল অহুম অদু হন্দে দাক্লনবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু ট্রাওগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়না হেন্দুনা লৈরিবা পাঞ্জল ৩ অদু নীংথিনা দিফেন্দ তৌবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল চলহনখিদে। শান্নবগী ৬৫ শুবা মিনটতা ট্রাওগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখ্রবা বিদ্যাসাগরনা মহাক্কী হেটট্রিক ওইখিবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা চন্দুনা ৪-০দা মখাতানা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ফেজনা ট্রাওগী মায়কৈদগী এটেক য়াম্না চথবা ঙমখ্রবসু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিদবা অদু ঙরাংগী মেটচ অদুদা য়াম্না ফজদুনা ৪-০দা থোইরগা অহুমশুবদা লৈবা ঙমখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা গোকুলম কেরলা এফ সীনা রাউন্দগ্লাস পঞ্জাব এফ সীবু ১-০দা থোইরগা ২শুবদা লৈবা ঙমখি।

# মেরি কোম ফাইনেল য়ৌখিদ্রে, অতোপ্পা ৯ ফাইনেল চঙখ্রে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ০৬(এজেন্সী):
স্পেনগী কাষ্টেলোন সিটিদা পাঙথোকপা ৩৫শুবা বোক্সম ইন্টরনেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন এম সী মেরি কোম ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে, অদুবু অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৯ মখোয়-মখোয়গী সেমীফাইনেল মায় পাক্কুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন তরুক্নক ওইবা ঙমখ্রবী এম সী মেরি কোমনা ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা সেমীফাইনেল বাউটতা য়ু এস এগী বোক্সর ভর্জিনিয়া ফুককী মখূৎতা মায়থীবা নংহৌবনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী কেজি ৭৫গী কেটগোরিদা শরুক য়ারিবী এসিয়ন চেম্পিয়নশিপকী গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবী পুজারানীনা সেমীফাইনেলদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন পানামাগী বোক্সর এথেনা বাইলোনবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। পুজারানীনা ঙসি অথেংবদা পাঙথোক্কদবা গোল্ড মেদলগী বাউট অদুদা য়ু এস এগী বোক্সর মেলিসা গ্রাহনগা লম্বা তৌনগনি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোক্সম ইন্টরনেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিদা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবী অতোপ্পা নুপী বোক্সরশিং অদুদি কেজি ৫৭কী কাঙলুপ্তা জস্মিন অমসুং কেজি ৬০গীদা সিমরঞ্জিৎ কোরনি। জস্মিননা মহাক্কী করিয়রগী অহানবা সিনিয়র ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারকপদা সেমীফাইনেল বাউট অদুদা ইটলিগী বোক্সর সিরিন সরাবিবু ৪-১দা মায়থীবা পীখি। অদুগা মহাক্না ফাইনেলদা গোল্ড মেদল ফংনবগীদমক্তা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন ইর্মা টেষ্টাগা লম্বা তৌনগনি। ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ সিমরঞ্জিৎ কোরনা সেমীফাইনেলদা প্যুর্টো রিকোগী বোক্সর কিরিয়া টাপ্যাগা য়াম্না নক্লবা লম্বাদা ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা রসিদা ইলিসকা লম্বা তৌনগনি।

নুপাগী ইন্দিয়াগী বোক্সর ৬ ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। কেজি ৫৭তা মহমদ হুসামুদ্দিননা পানামাগী ওর্লান্দো মার্টিনেজপু মায়থীবা পীরমখি। লাইট ৱেল্টরৱেটতা ইন্দিয়াগী মনিশ কৌশিকনা ফ্রান্সকী লোন্স হন্রোৱিবু মায়থীবা পীখি। কেজি ৬৯দা ইন্দিয়াগী বিকাশ কৃষণনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদল অনী ফংখ্রবা অল্লাই খান জ সুপোবপু মায়থীবা পীরগা ফাইনেল য়ৌখি। অতোপ্পা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা বোক্সরশিং অদুদি কেজি ৭৫দা অসিশ কুমার, কেজি ৮১দা সুমিট সংৱান অমসুং কেজি ৯১ মথক্তা সটিশ কুমারনি।

# ইংলেন্দবু ইন্নিংস অমগা রন ২৬তা থোইদুনা ৱর্ল্ড টেষ্টকী ফাইনেল য়ৌখ্রে

অহমদবাদ, মার্চ০৬(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম্না ঙসি ইংলেন্দবু মরীশুবা অমসুং অরোইবা টেষ্ট মেটচতা ইন্নিংস অমগী রন ২৫দা থোইবা ঙমদুনা সেরিজ মায়পাকখিবগা লোয়ননা ইন্টর্নেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মখাদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড টেষ্ট ক্রিকেট চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।



ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা লৈবাক অনীগী মরক্তা শান্নবা মরীশুবা টেষ্ট মেটচ অদু অহুমশুবা টেষ্ট মেটচ শান্নখিবা গুজরাটকী অহমদবাদতা লৈবা নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ৪দগী শান্নবা হৌখিবনি। মেটচ অদুগী টোস ইংলেন্দনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌরকপদা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস অদু বেটসমেন ১০মক আউট ওইরগা রন ২০৫দা আউট ওইখিবনি।

ইন্নিংস অদুদা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী ৫শুবা বেটসমেন বেন ষ্টোক্সনা রন ৫৫ লৌরম্বা অদুনা খ্বায়দগী য়াম্বা রন ওইখি। ৭শুবা বেটসমেন দেনিএল লোরেন্সনা রন ৪৬ লৌরম্বা অদু শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোলর অঝরপাটেলনা ইংলেন্দগী বেটসমেন ৪ আউট তাহল্লবা মতুং রবিচন্দ্রন আশ্বিননা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা টিম অদুগী ৬শুবা বেটসমেন রিসব পন্টনা রন ১০১ লৌখিবা অদুনা খ্বায়দগী ফজবা পর্ফোমেন্স ওইখি। লোয়ননা ৮শুবা বেটসমেন ৱশিংটন সুন্দরনা আউট ওইদনা রন ৯৬ লৌখিবা অদু য়াম্না ফজবা পর্ফোমেন্স ওইখি। ওপনর রোহিট শর্ম্মা অমসুং ৯শুবা বেটসমেন ওইখিবা অঝর পটেলনা রন ৪৩ লৌরম্বা অদুনা টিম অদুনা অহানবা ইন্নিংসতা লৌরম্বা রন ৩৬৫দা চাওনা মতেং পাংখি।

রন ১৬০ শোথদুনা লৈরিবা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা অহানবা ইন্নিংস শান্নখিবা অদুগুম্না শান্নবা ঙমখিদে। টিম অদুগী ৭শুবা বেটসমেন অহানবা ইন্নিংসতা রন ৪৬ লৌবা ঙমখিবা লোরেন্সনা রন ৫০ লৌখিবা অদু নত্তনা অতোপ্পা বেটসমেনশিং ফজবা ঙমদনা রন ১৩৫দা টিমগী অনীশুবা ইন্নিংস অদু লোয়শিনখিবদগী ইন্দিয়ানা মেটচ অদু ইন্নিংস অমগা রন ২৫দা থোইবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী অঝর পটেল অমসুং আশ্বিননা ৱিকেট ৫/৫ লৌবা ঙমখি।

# থা ৩ চত্থগদবা থাঙ-তা তাকপী-তন্বীবগী প্রোগ্রাম থৌবাল অচৌবদা হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৬(ঐচ এন এস):
এদ্যুকেসনেল য়ুঠস স্পোর্টস এন্দ কলচরেল এসোসিএসন (ঈ ৱাই এস সী এ) থৌবালনা শীন্দুনা থা ৩ চত্থগদবা থাঙ-তা তাকপী-তন্বীবা প্রোগ্রাম অমা ঙসি থৌবাল অচৌবা বজার মখাদা লৈবা ঈ ৱাই এস সী এ কম্যুনিটি হোলদা হৌদোকখ্রে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা পায়খৎপা খেলো ইন্দিয়াগী মখাদা ইন্দিজিনস গেম অমা ওইনা শকখঙলবা থাঙ-তা মশান্নবু হেন্না চাউখৎনবা অমসুং ইরমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা তুংগী মীরোলশিংদা মশান্না অসিবু হৈহনবগী পান্দমদা শীনবা তাকপী-তন্বীবা প্রোগ্রাম অসি হৌদোকপগী থৌরমদা খাঙবোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী হান্নগী এম এল এ ওক্রম লন্ধোনি, ঈ ৱাই এস সী এ থৌবালগী প্রসিদেন্ট এস বিরেন, ৱর্ল্ড থাঙ-তা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা থাঙ-তা মহৈকোল অসিগী গ্রান্দমাষ্টর প্রেমকুমার হুইদ্রোম, হুইয়েল লানলোং থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট টি ঐচ প্রিয়োকুমার, স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী থবক্তগী পোত্থারবা এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর কোন্সম মাইকেল অমদি ঈ ৱাই এস সী এ থৌবালগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট সৌবাম নিংথেমনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। তাকপী-তন্বীবগী প্রোগ্রাম অসিদা নুপামচা অমসুং নুপীমচা শান্নরোয় ৪০ রোম্না শরুক য়ারি।

# ৯শুবা য়ুম্নাম রাশমনি মেমোরিয়ল ৭-এসাইদ হোক্কী টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৬(ঐচ এন এস):
ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপ্না শীন্দুনা মণিপুর হোক্কীগী লমজিং মখাদা ইবুধৌ মার্জিং গ্রাউন্দদা হয়েংদগী ৯শুবা য়ুম্নাম রাশমনি মেমোরিয়ল য়ু-১৫ বোইজ অমসুং য়ু-১৭ গর্লস ৭-এসাইদ হোক্কী টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না নুপামচাগী কাঙলুপ্তা টিম ১১না শরুক য়াদুনা গ্রুপ অনী থোক্না লম্বা তৌনগদৌরি। গ্রুপ-এদা এম এল ঐচ য়ু লংথবাল, মৈরা বাশিখোং, এস য়ু ৱাই সী উচেক্কোন, কে ঐচ এস সী খোংমন (বি) অমসুং ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপ (এ)নি।

গ্রুপ বিদা এস ঈ ৱাই ও শীংজমৈ, কে সী দি ও কোংপাল, ঐচ য়ু লাইরিকয়েংবম লৈকাই, কে ঐচ এস সী খোংমন (বি), ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপ (বি) অমসুং থৌবাল হোক্কীনি।

নুপীগী চহী ১৭ মখাগী কাঙলুপ্তা পূন্না টিম ৫না শরুক য়াদুনা লম্বা তৌনগদৌরি। টিমশিং অদুদি মৈরা বাশিখোং, থৌবাল হোক্কী, ৱাই সী সী আই সী (এ) কোন্থা অহল্লুপ, এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোন খুনৌ অমসুং ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপ (বি)নি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা মেটচ হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ১৬ ফাওবা লীগ মেটচশিং শান্নরবা মতুং নুপাগী কাঙলুপ্তা গ্রুপ এ অমসুং বিগী মকোক থোংবা অমসুং রন্নর্সঅপ তাবা টিমশিং খনগৎতুনা সেমীফাইনেল মেটচশিং অদু থা অসিগী ১৭তা শান্নগনি। অদুগা নুপীমচা অমসুং নুপামচা অনীমক্কী ফাইনেল মেটচশিং মার্চ ২১দা শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসি হয়েংদগী হৌগদবা মরম্না কোন্থা অহল্লুপ্তুগীনা মন্ত্রিপুখ্রি তাবা লম্বী অসিদা হেভি ভেহিকলশিং চৎথোক-চৎশিন তৌদুনা লাক্লিবা অসি টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপা লোইদ্রিবা ফাওবা চৎপীদনবা য়ুঠ ক্লব কম ইনফোর্মেসন সেন্টর (ৱাই সী সী আই সী) অমসুং টুর্নামেন্ট কম্মিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

টুর্নামেন্ট অসিগীদমক্তা পূন্না অম্পায়র ১২ অমসুং টেক্নিকেল ওফিসর ৩ থৌ পুহনখ্রে। সী ঐচ বালানা টুর্নামেন্ট দিরেক্টর অমসুং কে ঐচ ধনেশ্বরনা অম্পায়র মেনেজর ওইরগনি।

# নুমীৎ ১০নিগী ওইবা হুয়েন লাংলোনগী ট্রেনিং কেম্প হৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬(ঐচ এন এস):
মীতৈ ইনাৎকী হুয়েন লাংলোন শিন্দম শঙলেন (এম ঈ ঈ ঐচ য়ু এস এস) খোংমন ওক্রম চুথেক ইম্ফাল ইষ্টতা ঙরাংদগী হৌরগা নুমীৎ ১০নিগী ওইবা হুয়েন লাংলোন তাকপী-তন্বীবগী থৌরম হৌখ্রে। হায়রিবা ট্রেনিং কেম্প অসি থা অসিগী ১৪ ফাওবা চত্থগনি হায়না শঙলেন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা খূৎয়েক পীবা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ঙরাং হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী বাশিখোং জিল্লা পরিষদ ওইরিবা সী ঐচ জশ্বন্তনা চীফ গেষ্ট, শঙলেন অসিগী প্রসিদেন্ট শিন্তাকপুরেল ওক্রম মংলেম মীতৈনা প্রসিদেন্ট, লোয়ননা মমাংদা ইম্ফাল ইষ্ট বাশিখোং গ্রাম পঞ্চায়ট ওইরম্বা অথোকপম ধনপতিনা চীফ গেষ্ট ওইখি। ট্রেনিং কেম্প অসিদা শান্নরোয় ৭০ হেনবনা থাঙ-তা, শরিৎ শরাক, মুক্না অমদি খ্বাই পারাগী অতৈ কাঙলোন কয়া অমসু শান্নরোয়শিং অদুদা তন্বীগদৌরি।

# মণিপুরগী আর্চরশিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬(ঐচ এন এস):
উত্তরখন্দগী দেহরাদুনদা হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪১শুবা এন টি পি সী নেসনল জুনিয়র আর্চরি চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী আর্চর অমদি ওফিসলশিং তাঙ্কক নাইনা চৎপদা ঙসি ইন্দিয়ন রাউন্দদা শরুক য়াগদবা আর্চর অমসুং ওফিসলশিং হান্না ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল থাদোকখিবা ইন্দিয়ন রাউন্দদা শরুক য়াগদবা আর্চর অমদি ওফিসলশিং অদুদি নুপীগীদা ৱাংখেম মালেশ্বরী, লোংজম ত্রিঙ্কল, লাইশ্রম সোফিয়া অমসুং মিলেনিয়া থোকচোমনি। নুপাগীদা মুতুম চীঙ্খো, সাপম রোবর্ট, য়ুম্লেম্বম নিখিল অমসুং চনম্বম বোরিশনি। আর্চরশিং অসিগী ওফিসলশিংনা দল্লিয়ু বিকাশর অমসুং কে দেবানন্দনি।

থা অসিগী ৯দা ইম্ফাল থাদোক্কদবা কম্পাউন্দগী আর্চরশিং অদুদি নুপীগীদা লাইশ্রম দুলিনা, নাওরেম বেরোনিকা, সুশিত্রা তাওরাংবম অমসুং লাইশ্রম মোনিকা, নুপাগীদা সুরজ ঙানবা থোকচোম, ঙাসেপ্পম লমঙানবা, অরৱিন লাইশ্রম অমসুং দিপক নিংথৌজমনি। কম্পাউন্দগীদা ওফিসল ওইরিবশিং অদুদি টি নেত্রজিৎ অমসুং কে দেবানন্দনি।

থা অসিগী ১২দা ইম্ফাল থাদোক্কদবা রিকর্ব টিমগী আর্চরশিং অদুদি নুপীগীদা কোন্সম প্রমেশ্বরী, নিংথৌজম সোনিয়া, হুইদ্রোম অল্ফাবতি অমসুং ভুমিকা ৱাকম্বমনি। নুপাগীদা নিংথৌজম পারিথোই, ঙাম্থোইবা অকোইজম, এম দি অমান অলি অমসুং এলাংবম রোবিন্সননি। ওফিসলনা এল গুনিতা অমসুং দেবানন্দনি।

# অম্ফাগী গ্রাসরুট প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি, সিনিয়র ৱিমেন্স লীগ য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬(ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা ইম্ফালগী লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চহী ৬ মখা অমসুং ১২ মখাগী ওইবা গ্রাসরুট প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি। অমরোমদা অম্ফানা শীন্দুনা ১১শুবা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ফোর দি এম সিংহ ট্রোফি ২০২১ য়ৈথোকখ্রে হায়না অম্ফাগী মায়কৈদগী পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ষ্টেট লৈঙাক্না পীবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরগী মতুংইন্না থা অসিগী ২০গী অয়ূক পুং ৭তগী ৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়রি। গ্রাসরুট প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ানিংবা নহা ওইরিবা ফুটবোল শান্নরোয়শিংনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী ওফিসতগী ফোর্ম লৌবা য়াগনি হায়রি।

অমরোমদা, ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগকী প্রি ক্বালিফায়িং রাউন্দ অমসু ওইরিবা ১১শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ফোর দি এম সিংহ ট্রোফি ২০২১ হয়েংদগী হৌগনি হায়না তৌরম্বা অদু থা অসিগী ১০দগী ওইনা হৌরগনি হায়রি।

**ALL MART**
AN ONLINE SHOPPING MART
*Uripok Brahmapur, Opp. Cheirap Court.*
WE ARE HIRING

| SL.NO. | POST | VACANCY | EDU. QFN. | SALARY |
| --- | --- | --- | --- | --- |
| 1. | Manager | 1 | Graduate | Starting Rs. 12000/- |
| 2. | Assistant Manager | 2 | Graduate | Starting Rs. 9000/- |
| 3. | Office Assistant | 10 | 10th Pass | Starting Rs. 6000/- |

*The above post are for* ***Thoubal Branch, Bishnupur Branch, Moirang Branch Kakching Branch, Mayang Imphal branch, Imphal East, Imphal West, Wabagai, Sugunu, Sekmai Branch.***

*Terms & Condition apply.

Last Date of Form Submission : 08/03/2021
PLIZ CONTACT FOR DETAILS :- 6009683820/7005133258/7085198809

HL-P/9066/26,27,28/2,1/3

## অৱাবা ফোঙদোকপা



Meira Sporting Union (MSU), H/Q Kwakeithel Thokchom Leikai গী মতম শাংনা মেম্বর ওইবীরম্বা শ্রীলাইতোনজম শরতচন্দ্র সিংহনা ইখঙ খঙহৌদনা হৌখিবা তাং ২৮/০২/২০২১, নোংমাইজিং নুমীৎতা লৈখিদবদা য়ুনিয়নগী থৌপুবশিং অমদি মেম্বরশিংনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং শেম্বা মপূগী মফমদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবগীদমক থৌনীজখ্রে। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

Sd/- Secretary General,
Meira Sporting Union (MSU),
H/Q Kwakeithel Thokchom Leikai

HL-P/9218/7

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### মহৈ তম্বা ফংদ্রবা মহৈরোয়শিংগী খনবিদুনা স্কুল মপুংফানা লৈঙাক্না হাংদোকপীনিবা হোৎনবিয়ু



কোভিদ-১৯গী অৱা চৈথেং মার্চ ২০২০গী অরোইবা চয়োলদগী হৌখিবগা লোয়ননা স্কুলশিংদসু য়াম্না চাওবা অৱাবা কয়া ফংখি। চৈথেং অদু ঙসি ফাওবা মপুংফানা কোকপা হায়বদু ওইদ্রি। হৌখিবা মার্চ থাদগী মহৈ তম্বা ফংদ্রিবা মহৈরোয়শিংদি লন্বী-সোরোক্তা অমসুং লমহাংদা মনিং তম্না চেন-চোংদুনা শান্নরি। মতৌ অসুম্না কয়াম কুইনা শান্নহনখিগনি। এদ্যুকেসন য়াওদ্রবা লমদম অদুবু চাওখৎপা লমদম অমনি খক হায়রোই। মরুওইনা বি পি এলগী মখাদা লৈবা মহৈরোয়শিংদি হায়নিংঙাই লৈতনা লৈখা তারে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরমদি এক্সট্রা ট্যুসনশু তমহনবা ঙমদবনিনা অতৈ অঙাংশিংগা চাংদম্নবদা ঙসিসু অদুমক শোৎথনা লৈরি। ইম্ফালদা সিনেমা হোল হাংহনবদা অয়াবা পীবগুম অথুবা মতমদা লৈঙাক্না তুং-মাং য়েংলগা এদ্যুকেসন সেক্টরবু মনিং হনখিদনবা মতম চানা মরি লৈনবশিংগা তান্নবিদুনা মহৈ তম্বা ফংদ্রিবা অঙাংশিংবু মহৈ তম্বা ফংনবা হোৎনবিয়ু। অমরোমদা লাক্লিবা নুমীৎ খরনী অসিগী মনুংদা ক্লাস ৬তগীনা ৮ ফাওবগী মহৈরোয়শিংসু মহৈ তম্বা য়ারগনি হায়বগী পাউসু তারি। মসিনা করিগুম্বা অচুম্বা ওইরগদি য়াম্না ফৈ। লোয়ননা পীক্লিবা অঙাংশিংসু মহৈ তম্বা ফংনবা হোৎনহন্নিংই।

❐ আর এ মৈনাম, য়াইরিপোক তুলিহল

### রাজ্য সভাগী এম পি ইনিংথৌনা মণিপুরী ময়েকপু ইন্দিয়াগী শেনয়েক্তা হাপ্নবা হায়খিবা থাগৎলি



রাজ্য সভাগী এম পি ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা পার্লিয়মেন্টদা মণিপুরী ময়েকপু ইন্দিয়াগী শেনয়েক্তা হাপ্নবা হায়খিবা ঐখোয় পূম্নমক্কী য়াইফবনি। ইশাগী ইরোল ইয়েক লৈজরিবা অমদি নিংথৌ পান্দুনা মনিং-মখা তম্না পাঞ্জরম্বা লমদম অমনি। মতম শাংনা চহী কয়া ইমালোলগী ময়েক মমি শাম্না লৈখ্রবসু হৌজিক্তি ইমালোলগী ময়েক খরা খজিক্তা ওইরবসু শাফোংবা ঙম্লবরা হায়না খল্লি। হোংলক্লিবা অওনবা অসিদা ঐখোয় পূম্নমক্না থৱায় য়াওশিন্দুনা মণিপুর লোল অমদি ইয়েকপু চাওখৎনবা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদ্রি। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা মরুওইনা দোক্যুমেন্টস অমদি ফোর্মগী তোঙান-তোঙানবা থবক থৌরমশিংদা ইমালোল অমদি ময়েক হাপ্পিবা হৌরবদি পূম্নমক্কী য়াইফবা হায়বদু ওইগনি। ঙসি-ঙসিমক লমদম অসিদা ইমালোল অমদি ইয়েক চাওখৎনবগীদমক চঙশিনগদবা খোঙজং কয়া ৱাৎলি। মরম অদুনা মালেমগী চাওখৎলবা লোল কয়াগী মরক্তা মণিপুরী লোলসু মশক তাকপা ঙম্নবা লোল অমদি ময়েক অমা চাওখৎনবা হোৎনবদা তঙাইফদনা চঙবা মচাকশিংগী পুক্কে চাওখৎনবা হোৎনবা চঙলি। মসিদা লৈঙাক খক নত্তনা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা পূম্নমক্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি হায়জরি।

❐ চোংথাম বিমোল, লাংথবাল কুঞ্জা

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা
hueiyen_lanpao@rediffmail.com/
hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

PENSION LOAN

☞ Manipur গী State অমসুং Central Pensioner শিংগী ওইনা Pension Loan পীজরি।
☞ থাগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% অমসুং 2.85% p/m গী খূদোংচাবা পীজগনি।
☞ Loan লৌবিবা লাকপদা Pension Book, Passbook, Cheque Book অমসুং A.T.M. লোইনবীগদবনি।

Please Contact :
M.M. Singh
L.G. Motors Building, Khagempalli, Imphal
Mobile No. 9774041523

HL-B/6672/11/2-6/3 (alt)

NIT
NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE
CLASS X & XII (SC.)(BOSEM,COHSEM) CLASS STARTING - 3rd FEB, 2021
CLASS X & XII SC. (CBSE) CLASS STARTING - 11th FEB, 2021
SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR (IX & X) (BOSEM) STARTING ON - 4th MARCH, 2021
* Only 30 students per batch.
* Class test will be conducted.
* Carrer Counselling for future study.
* Study Material will be provided.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Transport & Hostel facility will be abailable.
Office Hour : 2:00 p.m. - 8:00 p.m. & Class Timing : 3:30 p.m. - 7:30 p.m.
RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091
HL-B/6719/21/1-26/2

APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
ADMISSION OPEN
5 months Regular (Offline) NEET - 2021 Target Course
Class Commencement : 4th March, 2021
Class timing : 6:30 A.M. to 10.00 A.M.
Facilities :
✓5 Full Length Test series
✓15 Unit Test (Sunday) Series
✓Explanatory Key Notes for each Test
Lodging for Boys & Girls :
N.B: Best Opportunities for NEET - 2021 Aspirants
Office timing : 6:00 A.M. to 4:00 PM.
For details, kindly contact :- APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.
HL-B/6795/21/2-7/3

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com